প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমীৎ অমদি চহী ২০ চুপ্পা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপগা মরী লৈননা চথরিবা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ান থৌবাল এ সীগী ওইনসু থৌবাল কৈথেলদা শিং শেংদুনা হৌদোকখিবা

উরিপোক এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ১০/২২ উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় বি জে পি বুথনা শীন্দুনা খোইস্নাম লৈকায় লাইরেম্বী লাইমাংদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী বুথ লেভেল মীটিং

জেলিয়াংরোং বাউদিগী লুচিংবা অথোন অবোনমৈ হাৎতোকপীরম্বদা এম পি ৱাই সী সী অমসুং এন এস য়ু আইনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবা ওইনা কেন্দল লাইট ভিজিন পাঙথোকখিবা

এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং টুরিজমগী মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইবু কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী মীখলদা চাউনা মায় পাকহন্ননবা মীফম পাঙথোকখিবা

য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজিদা এম এস সী বাইও টেক্নোলোজি অহানবা সেমিষ্টর তম্মনবগী এন্ট্রান্স টেষ্ট লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু নুমীৎ অসিদা মুসুনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লিটরেরি মীট অসিগী য়েংলগা য়ৈথোক্লে। হায়রিবা এন্ট্রান্স টেষ্ট অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ৪দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও টেক্নোলোজিগী হেদ প্রোফেসর লিশম সঞ্জুকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ময়াই লম্বীদগী এয়রপোর্ট তাবা লম্বী অসি মতম শাংনা শেম্বীদনা লৈরকপনা লম্বীগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রে। খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরে। অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মীয়ামগী অৱাবসি কোকহনবীয়ু হায়না ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপ (দব্লিয়ু আই এল এল) কোজেংং লৈকায় মোংশাঙ্গৈগী মায়কৈদগী সী এমগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না দব্লিয়ু আই এল এলগী জেনরেল সেক্রেটরি স্কোট খুমনচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লক্ষ্মী বজারদা সোবর লাইফ ট্রিটমেন্ট সেন্টরনা ময়াই কাবা দ্রগ ফ্রী ওইবা খুন্নাই অমা শেম্ননবগীদমক লৈত-লায়রবা কনা লৈজদ্রবা দ্রগ য়ুজর কয়া মতেং পাংদুনা ফ্রী ট্রিটমেন্ট ফাওবা তৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা অসিদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া তেংবাঙ পীবীরকপগীদমক দি কোই কোম্নাখোং ৩১ অসাম রাইফলসপু থাগৎচরি অমদি ঈকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না সোবর লাইফকী প্রোজেক্ট দিরেক্টর প্রিয়োকুমার থৌনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফিরোল অমদি চান-থক্লবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমীৎ অমদি মহাক্না লুচিংবা অমা ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা চহী ২০ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা চথরিবা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি উরিপোক মন্দলনা শীন্দুনা লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা ওল্ড এজ হোম দে ক্যের এন্দ রিহেবিলিটেসন অমদি লাঙ্গোল লাইরেম্বীদা লৈবা ওর্ফান হোমদা নিংথম থাগী ফিরোল অমদি চান-থক্লবশিং পীখ্রে। ফিরোল অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখিবা অদুদা আই এম সীগী চ্যেরপর্সন ওইরম্বী হৌজিক্লা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ৱাঙাংলোয় ওইরিবী আর কে রানিসনা, বি জে পি উরিপোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট জিতেন অমদি মন্দলগী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

অথোন অবোনমৈ ফাদুনা পুখ্রগা হাৎতোক্লগা থন্নম্বগী থৌদোক মীয়াম্না তরাইনা লৌফম থোক্তে : লূপশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): জেলিয়াংরোং বাউদি অসাম মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অদুগা হৌজিক্কা এদভাইজর ওইরিবা অথোন অবোনমৈবু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা তমেংলোংদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা হাৎতোক্লগা থন্নম্বগী থৌদোক অদু মণিপুর মীয়াম্না তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর অমদি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অমৱোভা) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমুকোগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থব্বৌ, এম এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম রোসন, পোইরৈ লৈমরোলগী জেনরেল সেক্রেটরি থোঙাম অপাবী লৈমা অমসুং অমৱোভাগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানিনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অবোনমৈ মীহাৎ অসি অমুকো, এম এস এফ, পোইরৈ লৈমরোল অমদি অমৱোভানা অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই অমসুং মরাল লৈবশিং ফাননবা হোৎননবদা মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মতেং পাংগনি। মণিপুর লৈঙাক্না লৈজবা পাঙ্গল শীজিন্নদুনা মীহাৎপশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। খুদক্কী ওইনা মীহাৎপশিং অদু ফাবা ঙমদ্রবসু মীহাৎ অদু কনা কনানা নৎত্রগা করম্বা লূপনা চথবনো হায়বদু য়াম্না মরিক চুম্না মীয়ামদা মণিপুর লৈঙাক্না লাউথোকফম থোকই।

চেরোল অসিনা হায়, অথোন অবোনমৈগী তমথীরবা মীহাৎ অদুনা লমদম অসিগী লৈঙাক অমদি মীয়ামদা পীরিবা কিহনবগী পাউজেলদি মীহাৎপা খুৎপু নৎত্রগা লূপ অদুগী মায়োক্তা কনাগুম্বা অমত্তা ৱা ঙাংবা য়ারোই নৎত্রগা থবক তৌবা য়ারোই হায়বগী মওংনি অমদি অথোন অবোনমৈবু ফাদুনা পুখিবা অমদি হাৎতোক্লগা থন্নম্বা মফম অদু মণিপুর লৈঙাক্না করিমত্তা তৌবা ঙমদবা মফমনি হায়না উৎপনি। মীহাৎপশিংনা অথোন অবোনমৈবু হাৎখিবগী মরম্মদা মীয়ামদা শেংদোকপা ঙমদ্রিবা অসিনা তাক্লিবদি মহাক মণিপুর অপূনবগী ৱা ঙাংবা অমদি থবক তৌবগীদমক হাৎখিবা ওইরমগনি হায়বসিদা মীয়াম্না হেন্না চিংনরি। মরমদি অথোন অবোনমৈনা চহী খরগী মমাঙদগী ৱা ঙাংখিবা অমদি তৌখিবা থবক কয়াদা মণিপুর অপূনবগী ওইবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা লাকখি। চীংগী অমদি তমগী কাঙলুপ নাইবা থবক অমসুং ৱা ঙাংবা অদুগীসু মথক্তা ওইরোইদবা দিমান্দ কয়া পুখৎতুনা লৈবাক ঈরাং থোকহন্ননবা হোৎনখিবা কয়াবু ফোংনা চৈদুনা ঙাংবা ঙম্বা লুচিংবা অমনি। মতম চুপ্পদা মণিপুর অপূনবগী ৱা ঙাংখিবা অথোন অবোনমৈবু হাৎতোক্লিবা অসি মীহাৎপা কাঙবু অদুনা মতম চুপ্পদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগায়গনি হায়বগী ফিরেপ লৈ হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা উৎপনি হায়না লৌফম থোকই। অমুকো, এম এস এফ, পোইরৈ লৈমরোল অমদি অমৱোভাদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক মতম চুপ্পদা লেপ্পনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক থবক তৌবা খূদিংমক পূক্নিং থৌগৎলি। অদুগা অপূনবা শক্তমগী মায়োক্তা লৈবা খূদিংমক্তা ঐখোয়না চপ চানা থেংনগনি।

মীহাৎপা কাঙবুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী ইফোং ফোংনা অথোন অবোনমৈবু ফাদুনা পুখ্রগা অতোপ্পা মফম অমদা হাৎতোক্লগা থন্নম্বা অদুনা থোরক্লিবা ৱাহংদি লমদমসিগী মীয়াম অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মীহাৎপশিংগী মথক্তা করিবু তৌজবা ঙল্লিবগে হায়বসিনি। মীয়াম্না পান্দবদি মথৌ মশক খঙদ্রবা মফমদুদা দ্যুটি তারিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুগী মথক্তা চপ চানা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা মীহাৎপশিং অমদি থৌদোক অদুগী শরৌ শিনবদা য়াওরিবা মীওই খূদিংমক খূদক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীবা অদুনি। মীহাৎপশিং ফাননবা হোৎনবদা লৈঙাক্না মীয়ামদগী মতেং লৌফম থোকই। মীহাৎপশিংগী মরমদা পাউ পীবা নৎত্রগা মখোয়বু ফাননবা হোৎনবদা মতেং পাংবশিংদা রিৱার্দ পীননবা লাউথোকপীয়ু। অথোন অবোনমৈবু হাৎলিবা কাঙবুদু ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীদবা শুকয়া য়ারোই। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী ফাদুনা পুখিবদা করিসু তৌবা ঙমদ্রগা ষ্টেটসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা করম্বা মতমদা মীহাৎপশিং অদু ফাবা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি। ৱাহংসিগী পাউখুমদু মণিপুর লৈঙাক্না মতম চানা পীবীয়ু। অথোন অবোনমৈগী তমথীবা মীহাৎ অসিদদি মণিপুরগী ষ্টেট ফোর্সশিংগী হৈ-শিংবা অমদি মপাঙ্গল অদু করিমত্তা ফুদোকপা ঙল্লরোইদ্রা। সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরিবা ভিদিওশিংদা উরিবা শক্তমশিং অদুদদি ষ্টেট ফোর্সশিং অদু মীহাৎপশিং অদুগী মখাদা লৈবগুম তৌরি। চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্সশিং অসি লৈতেংগী ওইনা অসুম থল্লিবজাৎলা নৎত্রগা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম ঙাক্লনবা লৈরিব্রা। হৌজিক চীংগী মফমশিংদা পোষ্টিং পীরিবা ষ্টেট ফোর্স খূদিংমক্তা মণিপুর অপূনবগী ৱাখল খলহন্ননবা লৈঙাক্না থৌরাং অমা পায়খৎপীয়ু নৎত্রবদি মণিপুরগী তুংলমচৎতা য়াম্না খুদোংচাদবা ফীভম কয়া লাক্কনি হায়নসু লূপশিং অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং হেল্পরশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খুরাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৯দগী ৪৩ ফাওবগী ওইনা আই সী দি এস শওম্লুংগী সেক্তর ১২গী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংবু খুরাই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট হৈস্নাম সুভাসনা মহাক্কী খুরাই কোংপাল কোংখাম লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর হৈস্নাম সুভাসনা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং অমদি হেল্পরশিংনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোল অসিদা অফবা মমা অমদি অচঙবা য়ুম্বীরেল পুথোক্লবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা খুরাই এ সীদা লৈরিবা ৱাৎহৌরিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি হেল্পরশিংবুসু অথুবা মতমদা তরাম্না ওক্লবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্দর অমদি হেল্পরশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

তরাইনা লৌদে : কোকোমি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লুচিংবা অথোন অবোনমৈগী তমথীবা মীহাৎ তরাইনা লৌদে হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা লৈবা এপোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা গো টু হিলসকী থৌরম য়াওরিঙৈদা শকখঙদবা নোংমৈ পায়বা মীওই খরনা মীয়াম তীনবা নুংথিল পোবোপতা নমদুনা ফাখিবা জেলিয়াংরোং বাউদিগী এক্স-প্রসিদেন্ট অথোন অবোনমৈবু তামে পি এসকী মনুং চন্না লৈবা পালোং ভিলেজদা ট্রোচর তৌরবা মতুংদা তমথীনা হাৎখিবা থৌদৌ অসি কোকোমিনা কন্দেম তৌই। থৌদৌ অসি মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা চৎলোইদবা, ৱাখল খনবা ঙমদবা শাদগী হেন্না তমথীবা লীচৎ অমনি হায়না লৌই। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কা কন্দেম তৌফম থোকই।

অথোন অবোনমৈ চীংমী-তম্মী মচিল-মনাওনি, পুন্না হিংমিন্নগদবনি, কায়নবা য়ারোই, অপূনবা মণিপুর অমগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ট্রাইবেল লুচিংবা অমনি। মীয়াম তীনবা সিক্যুরিটিনা খুরক হাংদনা লৈবা মফম অদুমক্তদা শকখঙদবশিং অদুনা ফারগা পুথোক্লবা হোৎনবদা কন্না মুক্লবা মীয়াম লোইনা উই। সিক্যুরিটিগী মীৎমাঙমক্তদনি। করিসু হায়বা ঙমদনা কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈখিবদু চীংদা লো লৈত্রে, খুৎলায় পায়বশিংনা তৌনিংবতা তৌরে হায়বদু তাক্লে। মীচম মীয়ামগী পুন্সি তম্বা ঙমদ্রি। কনবীনবা সিক্যুরিটি লৈরবসু কান্নদ্রে হায়বা তাক্লে। ফাগ্রগসু হিংনা শীন্নবগী মহুৎতা শিনা ফংখিবা অসিমক লৈঙাক অসিগী অশোয়বা অহোবা চাউনা লৈরে হায়বা লৈঙাক অসিনা য়াজ গদবনি। লাইবক থিবা তমথিবা মীহাৎ থোকখ্রে। লৈঙাক্না পুকচেল শেংনা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা খূদিংমক মতুং মনাও অমুক হন্না তৌদনবা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু কোকোমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

৫২শুবা এন এস এস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ষ্টেট এন এস এস সেল গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা নেসনল স্পোর্টস একাদেমীগী ইন্দোর হোলদা ৫২শুবা এন এস এস দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী কম্মিস্নার বোবি ৱাইখোম, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো অমদি ষ্টেট এন এস এস ওফিসর এম দি ফিরোজ খাননা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোননা ফোঙদোকখিবদা, এন এস এস দে নুমীৎ পাঙথোক্লিবা অসি ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি য়াম্না কান্নবা অমনি। কোলেজ-কোলেজদা এন এস এসকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ওইনা লৈরিবা ওজাশিংনা চহীগী ওইবা এন এস এস কেম্প মায় পাক্না পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিংনা তুংদা ওইরক্কদবা থৌদোক কয়াগী মতাংদা প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরশিংনা তাকপী তম্বীগদবনি। এন এস এস কেম্প অসি মহৈরোয়শিংগী ওইনদি ষ্টেজ পর্ফোর্মেন্স লৈহন্নবা অহানবা প্লেটফোর্মনি হায়না লৌবা য়াই। মসিদা নত্তনা এন এস এস কেম্পশিংদা মায় পাক্না শরুক য়ারুরবা মহৈরোয়শিংনা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌনিংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লি। এন এস এসকী মোটো অমসু ওইরিবা নোট মি বট য়ু হায়বা ৱাহৈ অসি য়াম্না মগুন লৈ। মসিবু ঙাক্লা চৎপা ঙল্লবদি অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা লুনা থোক্লোই হায়খি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা দেজ মেম্বরশিংনসু এন এস এসকী মতাংদা মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা কোলেজ-কোলেজশিংদা এন এস এসকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর ওইনা লৈরিবা ওজাশিংদা মশাগী ওইজবা থিদনা এন এস এস কেম্প চাং নাইনা পাঙথোক্লবা ফোঙদোকখি অমদি এন এস এস কেম্প চাং নাইনা পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা বিরমঙ্গল কোলেজগী এন এস এস য়ুনিট ৱানগী ভলন্টিয়রশিংনা শৈহৌ ঈশৈ শকখি। তুংদা তোঙান তোঙানবা স্কুল অমদি কোলেজশিংদগী লাকখিবা মহৈরোয়শিংনা নাৎকী ওইবা জগোয় অমদি ঈশৈগী প্রোগ্রাম কয়াসু মীয়াম মমাঙদা লাম্হোকখি।

অচা-অথক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী মনুং চনবা ৱাংবলদা লৈবা সিনিয়র সিটিজন হোমদা লৈরিবা অহলশিংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননা থৌরাং তৌরিবা থোকচোম জাদুমনিনা লুচিংদুনা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগা লোয়ননা হোমগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমীৎ অমদি মহাক্না চহী ২০ চুপ্পা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপগা মরী লৈননা চথরক্লিবা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা থোকচোম জাদুমনিনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহল ওইরবশিংবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন লৈবগা লোয়ননা কনা লৈজদ্রবশিংবু য়েংশিল্লু হায়বগী মতুংইন্না হোম অসিদা লৈরিবা অহল ওইরবা-ওইরবীশিংদা ঙসি অচা-অথকশিং পীজবনি অমদি হোম অসিগী ফীভম য়েংশিনবনি হায়খি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ানগী মনুং চন্না বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা খুৎশম্নদুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমীৎ লাকপগা মরী লৈননা লৈত-লায়রবশিংদা মতেং পাংবা, মহৌশাগী হোংলক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লনবা উ চারা থাদুনা হোৎনবা য়াওনা থবক কয়া ষ্টেট অসিদসু পায়খৎলি। মীওইবগী পুন্সি কনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা শেল পুথোক্তুনা লৈগে ফাওবা ফংবা ঙমদবা ঈনি। বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট কার্য্যকটারশিংনা ঙসি ভলন্টরি ওইনা থোরক্তুনা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা ঈ পীরি। ঐখোয় খূদিংমক্না ঈ কৎপগী ৱাখল্লোন অসি লৈরবদতা মণিপুরগী ব্লদ বেঙ্কতা ঈগী অৱাৎপা লৈরোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

মিনিষ্টর লুখোইবু চাউনা মায় পাকহন্ননবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি অমসুং টুরিজমগী মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইবু কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লী মীখলদা ৱাঙ্গৈই এ সীদগী অমুক হন্না চাউনা মায় পাকহন্ননবা ৱার্করশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংদা লৈবা মিনিষ্টরগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বি জে পি ৱাঙ্গৈই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোম্বা, ৱাঙ্গৈই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪১গী ওইবা বি জে পিগী বুথ লেভেল কম্মিটিগী থৌপুবশিং, ৱার্করশিং অমদি মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি ৱাঙ্গৈই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল তোম্বনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মখাদা মণিপুরদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী ঙসিদি হীরম কয়াদা চাউখৎপা পুরকপা ঙল্লি। ষ্টেট অসিদগী লায়রবা তপ্পা তপ্পা কোকহনবা ঙল্লক্লি। লায়রবা ইমুংশিংগী মীওইশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লায়েংনবা শেল লৈতবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরম্বা অদু ঙসিদি চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী আয়ুশমান ভারতকী ওইবা হেল্থ কার্দ ফংহন্দুনা অনা-লায়েংগী থবক্তা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লি। মতম অমদা লৈরম্বা বন্দ, ব্লোকেদ হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। হৌজিক্তি ষ্টেট অসিগী শেংনীৎলোন মাঙলোমদা খুম্মাং য়াংশিন্না চঙশিল্লক্লে। বি জে পি লৈঙাক অসিদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা ও লুখোইসু মিনিষ্টর ওইদুনা হীরম কয়াদা শোংখদুনা লৈরম্বা ৱাঙ্গৈই এ সী অসি চাউখৎপা থাক অমদা পুখৎলক্লি। এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা লম্বী-থোং নীংথিনা শেমগৎলকপগা লোয়ননা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। মরম অসিনা এ সী অসিদা হেন্না চাউখৎপা পুরক্লনবা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখলদা মিনিষ্টর ও লুখোইবু চাউনা মায় পাক্লনবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপনা মণিপুর হীরম কয়াদা চাউখৎপা লমদম অমা ওইরক্লি। লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল অসিদসু বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্তুনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়ননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ু এ এলনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): জেলিয়াংরোং বাউদিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অথোন অবোনমৈবু মীওইবগী মীনুংশি মচৎ অমত্তা য়াওদনা নুংথিল পোবোপতা তমথীনা হাৎতোকপীরম্ববু উরিপোক অপূনবা লূপনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা থিহ্নবা তৌদনা মীহাৎপশিং অদু ফারগা মীয়াম খঙনা লোগী মতুংইন্না চৈরাক পীগদবনি হায়না উরিপোক অপূনবা লূপ (য়ু এ এল)কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চিংথং এননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টরগী গো টু হিলস প্রোগ্রাম তমেংলোং হেদক্বার্টরদা পাঙথোক্লিঙৈদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনরম্বা ইচঙ থৌবা চীংমী লুচিংবা অথোন অবোনমৈবু য়াম্না ফোংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙদা ফাদুনা পুখ্রগা তমথীনা হাৎতোকপীরম্বা হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী অশোনবা অদু উৎথোকচরে। নোংমৈনা অচুম্বগী মচিন মেনবা ঙল্লোই হায়বসি পুৱারীনা খুদমনি। পীকখ্রবা খুজিল মচেৎমুক চাউবা মীওই লাখ ৩০ রোমতমক লৈরিবা মণিপুর অসিদা ঐগী ফুরুপকী, মাগী ফুরুপকী চীং-তম হায়না ইথনিক সেন্ট্রিক পোলিটিক্সতা মায় ওনশিন্দুনা লৈরবদি নোংমদি ঐখোয় পুন্না লুপমিন্নখিবা তাবনি। পুন্না চাউখৎমিন্নবা, পুন্না হিংমিন্নবা লাইৱা অসি কাউথোক্লবদি ঐখোয়গী খোঙ্গুল মুৎখিনি। অথোন অবোনমৈগী মীহাৎ অসি হন্দক্তি লৈবাক অসিগী লোগী মতুংইন্না অথুবদা চৈরাক পীহন্দুনা য়াদে হায়বা অমা খঙহল্লসি। লৈখিদ্রবা অথোন অবোনমৈগী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

বি জে পিগী লৈঙাক লৈরকপদগী মাঙজিল থাবা ঙল্লে : রানিসনা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মখাদা ষ্টেট অসিদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক অসি লাকপদগী হীরম খূদিংমক্তা মাঙজিল থাবা ঙল্লে হায়না বি জে পিগী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা উরিপোক এ সীদগী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবী আর কে রানিসনানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি উরিপোক এ সীগী মনুং চনবা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় বি জে পি বুথকী ওইনা খোইস্নাম লৈকায় লাইরেম্বী লাইমাংদা পাঙথোকখিবা বুথ লেভেল মীটিংদা আর কে রানিসনানা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, সেন্টর অমদি ষ্টেটতা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা ঙসিদি লায়রবা মীয়ামগী য়াইফননবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা মীয়ামদা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা মপুং ফানা ফংহল্লি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা য়েংনবদা ইন্দিয়াসু মতিক ময়াই লৈবা লৈবাক অমা ওইরক্লিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিননি। ষ্টেট অসিদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি লৈরকপদগী চীং-তমগী মরীদা হেন্না চেৎশিনহন্নবগা লোয়ননা চাউখৎ খোঙথাংদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায় বুথকী প্রসিদেন্ট সুমতিনা থৌরম মপু অমসুং সাইখোম চাওবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ইচঙ থৌনা শরুক য়াগনি: কে এস এ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): জেলিয়াংরোংগী লুচিংবা অথোন অবোনমৈগী মীহাৎকা মরী লৈননা মতম মতমগী ওইনা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্লবা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)না ইচঙ থৌনা শরুক য়াগনি হায়না কে এস এগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি তোইজম রনকুমার মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জেলিয়াংরোং কাঙলুপকী লুচিংবা অমা ওইবদা নত্তনা চীং-তম অনীগী খেন্নবা লৈতবা কংলৈপাক (মণিপুর) অসিবু অমত্তা ওইনবা অমদি নুংশিচান্নবা লৈমিন্ননবা হোৎনজরম্বা জেলিয়াংরোং বাউদি (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ)গী প্রসিদেন্ট ওইরম্বদা নত্তনা এদভাইজরগী থৌসু পুরিবা অথোন অবোনমৈবু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা লৈবা পোলো গ্রাউন্দদা গো টু হিলসকী মিসন পাঙথোক্লিঙৈ তাল্লক্তা খুরক হাংদনা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ময়াম মমাঙদা খুৎলায় পায়বা খুৎপু খরনা নমদুনা ফাদুনা পুবীখ্রগা তমথীনা হাৎতোকপীরম্বা থৌওংবু কে এস এনা থম্মোয় শোক্না কন্দেম তৌই। মীহাৎ অসিগী চপ চাবা লংলা-লংজিল অথুবা মতমদা পুথোকপীয়ু। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা খূদিংমক অথুবদা পুথোক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিনা লুম্না লৌহন্নিংই। তুংগী মীরোলনা লমদম অসিদা লো লৈতবগুম উখিগদবা লাইবক থীবা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা লৈঙাক্না চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি। অচুম্বা ঙাংবা, অচুম্বা তৌবা য়াদ্রবগুম মীয়ামদা চমন্নবা, চিংনবা পোকহল্লিবা অসি মাঙহন্ননবা অথুবা মতমদা মরাল লৈবশিং ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। ইচঙ থৌবা, মীয়ামগী খনবা, অপূনবগী ৱাখলদা থাজবা লুচিংবা অমগী মফমদি খুন্নাই অসিদা চাউনা হাংদুনা লৈহৌরগনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবালদসু সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ান পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিদা পাক শন্না পাঙথোক্লরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোকনুমীৎ অমদি চহী ২০ চুপ্পা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপগা মরী লৈননা সেপ্টেম্বর ১৭ত্তী ওক্টোবর ৭ ফাওবা চথুগদৌরিবা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ঙসিদগী থৌবাল এ সীগী ওইনসু থৌবাল কৈথেলদা হৌদোকখ্রে।

থৌবাল এ সীদা হান্না বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা অমদি লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্ব্লী মীখলদসু বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবা লৈতাঙ্খেম বসন্ত এলিয়স ভিম অমদি ৩১-থৌবাল বি জে পি মন্দলনা শীন্দুনা থৌবাল কৈথেল শিং শেংবা তৌখ্রে। বি জে মণিপুর প্রদেশকী প্রসিডেন্ট এ শর্দানা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এ শর্দনা হায়খি, হৌজিক পাঙথোক্লিবা সেবা ওঁর সমরপন অভিয়ানগী মরুওইবা পান্দমদি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইনা লৈবাক অসিগী করিগুম্বা খরদি তৌগে হায়না থোরক্লিবা পুম্নমক্লা মীয়ামগী থৌগল তৌবা হায়বসিনা অহানবা পান্দমনি।

চথরিবা থৌরম অসিগী মনুংদা ক্লিনলিনেস, লম-তূ শিৎ শেংবা, দিসএবল্ডশিংদা মখোয়গী মথৌ তাবা তোঙান তোঙশনবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা, হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা লায়েংদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অনাবশিংদা অচা-অথক, অথুম-অহাওশিং য়েন্থোকপা, ব্লদ দোনেসননচিংবা থৌরম ময়াম অমা সেপ্টেম্বর ১৭তগী হৌদুনা চথুদুনা লাক্লি। লোয়ননা হৌজিক হকশেলগী লমদা মরুওইবা পান্দম থল্লি অমদি অকোয়বগী ফীভম ফন্না থম্নবা উ চারা থাবগী প্রোগ্রামশিংসু লেপ্তুনা চথরগা লাক্লি। মসি পি এম মোদিগী মপোক নুমীৎ অসিদা ঐখোয়না কেক কক্তুনা চাথক্তুনা হরাওবা ফোঙদোকপগী মহুৎতা ঐখোয় মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা থৌগল তৌরসি হায়বগী ৱাখল্লোন অদুদা সেবা ওঁর সমরপন অসি চথরকপনি। থৌরম অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু বি জে পি থৌবাল মন্দলগা লোয়ননা ক্লিনলিনেসকী থৌরম অসিদগী হৌরগা হোস্পিটালশিংদা পোৎ-চৈ য়েন্থোকপনচিংবা প্রোগ্রামশিং চথুগনি। ঙসি ঙসিমক জেনিমস হোস্পিটালদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী বি জে পিগী থৌমী টিম অমনা ঈ পীগনি। হান্নসু রিমস হোস্পিটালদা ঈ পীখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মখা চথরকপা ওইনা হান্না থৌবাল এ সীদা বি জে পি মীরেপ ওইখিবা এল বসন্তগী য়ুমদা লৈখিদ্রবা বসন্তগী অপোকপা থৌবাল এ সীদগী টর্ম ৪ কারক্তুনা টর্ম অহুল্লক মিনিষ্টর ওইরম্লবা এল তোম্বগী মফমদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এল দেবেন, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎ অমদি ৩১-বি জে পি থৌবাল মন্দলগী থৌমীশিং অমসুং এল বসন্তবু শৌগৎপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

স্কিম ৱার্করশিংগী ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী ষ্টেট পুম্নমক্তা লৈরিবা স্কিম ৱার্করশিংনা মতম কুইনা তাল্লক্লবা দিমান্দশিং ঙসি ফাওবা পীবীদনা লৈরক্লিবা অসিদা খাংবা ঙল্লক্তবদগী জোইন্ট প্লেটফোর্ম ওফ স্কিম ৱার্করশিংনা লৈবাক পুম্বদা সেপ্টেম্বর ২৪দা প্রোটেষ্ট তৌনবা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি মণিপুরদসু স্কিম ৱার্করশিংগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ইরাবত ভবন কমপ্লেক্সতা ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না জোইন্ট প্লেটফোর্ম ওফ স্কিম ৱার্করস মণিপুরগী চ্যেরমেন ৱাই ইন্দ্রানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা অশা ৱার্করশিং, মিদ-দে-মিল ৱার্করশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর, মিনি ৱার্কর কয়ানা শরুক য়াখি। এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সী আই টি য়ুগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত, টি য়ু সী সীগী ষ্টেট সেক্রেটরি কে মনোরঞ্জন অমদি স্কিম ৱার্করশিংগী লুচিংবা মিদ-দে-মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানি, ওল মণিপুর অশা ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ পুর্ণিমাসি অমসুং অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর অমদি মিনি ৱার্করসকী লুচিংবীশিংসু শরুক য়াখি।

এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, স্কিম ৱার্করশিংগী মতম কুইনদগী তাল্লক্লবা দিমান্দশিং অসি য়াম্না মরম চাই। হৌজিক্কী মতমদা স্কিম ৱার্করশিংনা তৌজরিবা থবকশিং অসিগা লৈঙাক্না পীরিবা ওনরেরিয়ম, রেম্যুনরেসন অমসুং ইন্সেন্টিভশিং অসি মমিংতগী ওইনা তৌরে। স্কিম ৱার্করশিং অসি ৱার্কর অমগী ষ্টেটসতা থন্বীদুনা মখোয়বু থা অমদা লুপা ২১,০০০ পীবীয়ু হায়বনি। কোভিদ-১৯ লান্থেংনবদা শরুক য়ারিবা স্কিম ৱার্করশিং কোভিদ ৱারিয়র অমা ওইনা লৌদুনা কম্পেন্সেসন ফংহনগদবনি। অমরোমদা, সেন্টরখক নত্তনা ষ্টেটনা স্কিম ৱার্করশিংগীদমক এন্যুএল বডজেট শেন্থং হাপ্তুনা ইন্সেন্টিভ পীবা হায়বসি স্কিম ৱার্করশিংগী শেল-থুমগী ফীভমদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মিদ-দে-মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইন্দ্রানিনা হায়খি, চহী অমদা থা ১০ খক লুপা লিশিং ১/১ পীরগা মিদ-দে-মিল ৱার্করশিংবু শীজিন্নরিবসি হৌজিক্কী মতমদা লুপা লিশিং ১না করি তৌবা ঙমগদৌরিবনো। সেন্টরনা মতম চানা ওনরেরিয়ম থারক্লবসু মণিপুর য়ৌরকপদদি মতম কুইনা চঙবগুম তৌরি। হৌজিক ফাওবা থা ৯গী ওনরেরিয়ম ফংদ্রি। মসি লৈঙাক্না অথুবদা পীথোক্লবা শীনবীয়ু হায়খি।

ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদদি ষ্টেটশিং অদুগী লৈঙাক্না ওনরেরিয়ম কয়ারক হেনগৎখ্রে লোয়ননা ইন্সেন্টিভ কয়াসু হাপ্পীখ্রে। অদুবু মণিপুরদদি অদুগুম্বা ফীভম অমত্তা লৈতবসি পেন্দে। ষ্টেটকীসু তৌবা ঙম্বা থবক তৌফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অসি ককচিং, জিরি, বিষ্ণুপুরনচিংবা মফমশিংদসু ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখি হায়রি।